# জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামাগী এটেক অফজাল গুরুগী শিবগী কুমওন ফেব্রুৱারী ৯ দা পাঙথোক্নবা শিল্লম্বনি : ছোর্স



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

থা অসিগী ১৪ দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টকী এটেক চথখিবদা সী আর পি এফকী পর্সনেল ৪০ গী থৱায় মাঙখিবা অদুগী মখা তারকপদা থিজিন-হুমজিনবগী রিপোর্ট অমদা হায়রিবা এটেক অদু থা অসিগী ৯ দা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা জাইস-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম) গী টেররিষ্টশিংনা অফজাল গুরুগী শিবগী কুমওন অদুগা মরী লৈননা পাঙথোক্কনি হায়না মাঙজৌননা শিল-লাংলম্বনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা, ফেব্রুৱারী ১১ বু নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট হায়না খঙনরিবা মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন অসি হৌদোকখিবা অকবুল ভটকী শিবগী কুমওন ওইনসু লৌনরি। অদুবু কাশ্মিরগী তম্পাক্তা অকনবা উন তাবনা মরম ওইদুনা ফেব্রুৱারী ৯ দা টেররিষ্ট কাঙবু অদুনা এটেক চথগনি হায়না শেম-শারম্বা অদু য়ৈথোক্লগা ফেব্রুৱারী ১৪ দা মতম লেপখিবনি হায়না ছোর্স অসিগী পাউনা মখা তারি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না সী আর পি এফকী কনভোই অদুগী বস ৭৮ অদুদা চথখিবা সুইসাইদ বোম্বর এটেক অদুগীদমক মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবা অদিল অহম্মদ দরবু খন্দুনা এস য়ু ভি থৌবা তমহনখি হায়রি।

হায়রিবা এস য়ু ভি অদু আই ঈ দি (ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস) অদু এস য়ু ভি অদুদা হাপচিন্দুনা সী আর পি এফকী বস ৭৮ গী মনুংদা অমদা থোমজিন্দুনা পোকখায়হল্লগা সী আর পি এফ পর্সনেলশিং অদু শিহনখিবনি।

ছোর্স অসিগী পাঙ্গী মতুংইন্না অদিল অহম্মদ দর সুইসাইদ বোম্বর ওইনা খনখিবা অদু ডা. সুলৈমান এলিয়স ইব্রাহিম অজর হায়না খঙনবা লুচিংবা অমদি কমরানগী মমাঙদা লোট্টরি তৌদুনা অদিল অহম্মদ দরবু খনখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইব্রাহিম অজর কুমজা ১৯৯৯ কান্ধহারগী ফ্লাইট আই সী-৮১৪ হায়জেক্ট তৌবগী কেস অদুদা মরুওইনা চেন্নবা মীওই অমনি।

ছোর্সকী পাউ অসিনা মখা তারদুনা টেররিষ্টশিং অদুনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ লুচিংবা মাসুদ অঝরগী নেফ্যু উস্মান মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা ইন্দিয়ন আর্মিনা হাৎখিবা অদুগী লম্মন শিংবা ওইনা প্লান তৌখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ফেব্রুৱারী ১৪ গী এটেক অদুদা শীজিন্নখিবা দিটোনেটর অমসুং ফ্যুজশিং অদু ইন্দিয়াগী বোর্দর ৱাংমদগী পুরক্লগা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা এসেম্বল তৌখিবনি হায়রি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী পনখৈদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্থোক্তুনা ও জি দল্লিয়ু ওভর গ্রাউন্দ ৱার্করশিংগী খুখাংদা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং অদু পুরকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চথরকখিবা ফেব্রুৱারী ১৪ গী টেররিষ্ট এটেক্কী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিজিনবদা এটেক অদুদা শীজিন্নখিবা আর দি এক্স অদু পাকিস্তানগী সিটি রৱলপিন্দিদা পাকিস্তান আর্মিনা লৌরবা মতুং জাইস-ঈ-মোহম্মদকী খোঙজংলোয়শিংদা শিন্নখিবনি হায়রি।

পাকিস্তানগী মায়কৈদগী আর দি এক্স ইন্দিয়াদা পুশিল্লকপগী থবক অদু মমাঙ চহীগী মার্চ থাদগী হৌখি। এটেক তৌবদা শীজিন্নগদৌরিবা পোৎলম অদু জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট ত্রাল খুঙ্গংদা নুপী অমসুং অঙাংশিং শীজিন্নদুনা নম্বোদা হাপ্পুনা অমদি কোয়লাগী খাওশিংদা হাপ্পুনা ইন্দিয়া য়ৌরকখিবনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্সকী মকোক থোংবা ছোর্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা পাকিস্তান্দগী পুশিল্লকখিবা আর দি এক্সশিং অদু মিলিটরি এ-৫ গ্রেদ কেটগোরিগী মখলনি। হায়রিবা কেটগোরি অসি শীজিন্নবা ঙল্লিবা অসিনা তাকপদি পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী টেররিষ্ট এটেক অদুদা পাকিস্তান আর্মিগী খুৎ য়াওই হায়বদু ময়েক শেংলি হায়খি।

আর দি এক্স য়াম্না ষ্টেবল ওইদবা কম্পাউন্দ অমনি। পোৎশক অসিবু ষ্টেবল ওইননবা অমদি পুথোক-পুশিন লায়ননবা খোইরু নৎত্রগা সাপোনগা মিক্স তৌদুনা পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নে হায়না ইন্দিয়ন আর্মিগী ইন্টেলিজেন্সকী পাউ অসিনা মখা তারি।

ফেব্রুৱারী ১৪ গী পুলৱামা টেররিষ্ট এটেক অদুদা সুইসাইদ বোম্বর অদুনা মহাক্কী এস য়ু ভি অদুদা য়ামদ্রবদা আর দি এক্স কিলো ৩০০ দ্রম অহুমদা হাপ্পুনা য়োৎ মচেৎ, য়োৎপী অমদি অতোপ্পা অতুম্বা পোৎলমশিং হাপখি। লোয়ননা এস য়ু ভি অদুনা থেংজিনবা মতমদা অথুবা মতমদা পোকখায়ননবা এমোনিয়ম নাইট্রেটসু শীজিন্নখি হায়রি। ফেব্রুৱারী ১৪ দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা জম্মু-শ্রিনগর হায়ৱেদা এস য়ু ভি অদুনা সী আর পি এফকী কনভোই ৭৮ গী মনুংদা অমদা থেংজিন্দুনা পর্সনেল ৪০ শিহনখিবনি।

# রাম-জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ লম চয়েৎনবগী হিয়ারিং ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কোর্টনা ফেব্রুৱারী ২৬ পাঙথোক্কনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা অয়োধ্যাগী রাম-জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ লমগী চয়েৎনবা লৈরিবা অদুগী হিয়ারিং থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা হিয়ারিং অদু সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, হিরম অসিগী মতাংদা হিয়ারিং চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু জজ মঙাগী বেঞ্চ অদুগী মনুংদা য়াওরিবা জজ এস এ বোবদে নুমীৎ অদুদা শরুক য়াবা ঙম্লোইদবগী পাউ মাঙজৌননা ফংবদগী জন্যুৱারী ২৭ তা সুপ্রীম কোর্টনা জন্যুৱারী ২৯ গী হিয়ারিং অদু য়ৈথোকখিবনি।

জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অদুদা চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই, জষ্টিস বোবদে য়াওনা অতোপ্পা মেম্বর অহুম অদুদি, জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ, অশোক ভুষন অমসুং এস এ নাজিরনি। থা অসিগী ২৬ তা সুপ্রীম কোর্টকী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অদুনা কুমজা ২০১০ অলহাবাদ হায় কোর্টকী ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌরকখিবা অদুগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অলহাবাদ হায় কোর্টকী ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না অয়োধ্যাগী লম একর ২.৭৭ অদু রামলালা, সুনি ৱাখ বোর্দ অমদি নিরমোহি অখরাদা চপ মান্নবা মওংদা লম য়েনখিবনি। অলহাবাদ হায় কোর্টনা ৱারেপ অদু সিভিল সুট মরিগী হিয়ারিং লোইরবা মতুং অরোইবা ওইনা ফোঙদোকখিবনি। অদুবু হৌখিবা চয়োল খরদা সেন্ট্রেল লৈঙাক্না সুপ্রীম কোর্টতা চয়েৎনদুনা লৈরিবা অয়োধ্যাগী মফম অদুগী অকোয়বদা একর ৬৭ কী অহাংবা লম পীবীনবা ফাইল অমা তৌরকপদগী হিয়ারিং অদু নৌনা অমুক ৱারেপ লৌখিবনি।

সেন্টরগী মতুংইন্না অহেনবা লম অদু অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাননবা রাম জন্মভুমি নিয়াস হায়না খঙনবা রাম লাইশঙ শানবা য়েংশিল্লিবা ট্রষ্ট অদুদা পীবীনবা হায়রকপনি। সেন্টরগী পিটিসন অদুদা কুমজা ১৯৯২ গী বাব্রি মসজিদ থুগায়খিবা অদু গী মতুংদা লৈঙাক্না একর ৬৭ কী লম ফংখি। মদুগী মনুংদা একর ২.৭৭ চয়েৎনবা লাক্লিবনি।

চয়েৎনবা মফমশিং অদু নাথৈরগা একর ৬৭ কী লম অদু রাম জন্মভুমি নিয়াসকী ট্রষ্টতা মখোয়না হান্না নামা পান্দুনা লৈজরম্বা অদু ফংহন্দুনা রাম মন্দির শাবদা চয়েৎনবা লৈতনবা সুপ্রীম কোর্টতা সেন্টর লৈঙাক্না আপিল তৌরকপনি। মসিগা মরী লৈননা সুপ্রীম কোর্টনা জন্যুৱারী ২৯ দা পাঙথোক্কদবা হিয়ারিং অদু য়ৈথোক্তুনা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চনা ফেব্রুৱারী ২৬ তা হিয়ারিংগী মতম লেপখিবনি।

# তেলঙ্গনাগী সী এম চন্দ্রসেখর রাওগী মথক্তা কেস লৌখৎপা পাম্মী : বিজেপি



হায়দরবাদ, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

বি জে পিগী লুচিংবা জি কিষন রেদ্দিনা ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না তেলঙ্গনা ষ্টেটকী কেবিনেটতা নুপী অমত্তা য়াওহন্দবগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওগী মথক্তা কেস অমা থাঙ্গৎপা পাম্মী হায়খ্রে।

কিষন রেদ্দিনা তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর অদুবু নুপীবু হন্থনা খনবগী খোঙথাং পায়খৎলকপা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মহাক্কী মথক্তা হায়দরবাদ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি। এস ঐচ ঈ টিমস হায়না খঙনরিবা হায়দরবাদ পুলিসকী অখন্নবা য়ুনিট অসিনা মফম অদুদা নুপীগী পুন্সি মরেলদা অশোয় অঙাম য়াওদবা অমদি মখোয়গী মথক্তা চথরকপা ক্রাইমশিং অদু থিংনবা লৌখিবা পুলিসকী য়ুনিট অমনি।

মরক অসিদা, বি জে পিগী এম এল এ কিষন রেদ্দিনা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লদুনা তেলঙ্গনাগী কেবিনেটতা নুপী মিনিষ্টর অমত্তা য়াওহন্দবা অদু কনষ্টিট্যুসনগী ৱাংমদা লৈবা থবক অমনি। ষ্টেট অদুগী মীকোক থিবদা চাদা ৫০গী শরুক ওইরিবা ষ্টেট অদুগী নুপীশিংনা চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রসেখর রাওগী কেবিনেটতা নুপী অমত্তা মিনিষ্টর ওইহনখিদবনি। মসিগী মতাংদা বি জে পিগী ষ্টেট অদুগী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টর রেদ্দিগী মথক্তা কেস অমা থাঙ্গৎতুনা নুপী মিনিষ্টর কেবিনেটতা য়াওহনগদবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ইনভেষ্টমেন্টকী মতাংদা য়ানবা পুরক্তুনা খুৎয়েক পীনখ্রে, কোংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াদা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মহম্মদ বিন সলমান (এম বি এস) গী খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি উনদুনা লৈবাক অনীনা ইনভেষ্টমেন্টকী মতাংদা য়ান্ন-চে কয়া খুৎয়েক পীনখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিনা পাকিস্তানগী এন্টি টেরর শৌগৎপা এম বি এসকী খোঙচৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এম বি এস হায়নসু খঙনবা মহম্মদ বিন সলমান ঙরাং ইন্দিয়াদা নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎ অমদা লাকখিবনি। ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়াদা লল্লোন-ইতিক অমসুং ইনর্জি পুথোকপগী মতাংদা হান্না লৈরম্বা তাঙ্কক অদুদগী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়াগা শেল থাদনবগী মতাংদা য়ান্নচে কয়া খুৎয়েক পীনখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, এম বি এসকী ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অদু য়ুম্লোন্নবা পাকিস্তান্দা য়াম্না থাক ৱাংবা খোঙচৎ অমা চৎলুরবা মতুং য়ৌরকখিবনি। মরক অসিদা, কোংগ্রেস পার্টিনা পাকিস্তানগী এন্টি টেররগী থবক থৌরমশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনা মতেং পাংদুনা থাগৎপা ফোঙদোক-খিবা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স মহম্মদ বিন সলমান ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিল্লি এয়রপোর্টতা লাকখিবা অদুদা খুৎ শোক্নবদা নত্তনা লেংগোন্নদুনা হরাও-তয়াম্না ওকখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সোসল মীদিয়াদা ভিদিও কয়া অপলোদ তৌদুনা মোদিগী 'হগপ্লোমেসি' অদু মীয়ামদা য়ৌহনখি।



ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইনভেষ্টমেন্ট, টুরিজম, হাউজিং, ব্রোদকাষ্টিং অমসুং ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর্শিপ কাউন্সীল অমা শেম্নবা য়ান্নচে মঙা খুৎয়েক পীনখি। হন্দক্তা সাউদি অরাবিয়াগী জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজি হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্স এম বি এসনা মহাক্কী শোখরুরবা মীংচৎ অদু হেন্না পুখৎননবা পাকিস্তান অমসুং ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অমদা লাকখিবনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি।

কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম বি এসপু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা ফোর্মেল ওইবা ওকপগী থৌরম অমদা শরুক য়ারমগদবনি। মদুগী মহুত্তা দিল্লি এয়রপোর্টকী রনৱেদা খুৎ শোক্নখিবা অমদি লেংগোন্নখিবা অদু করম্বা ৱাখল্লোন্দা কাঙলোন থুগায়দুনা চথখিবনো হায়না কোংগ্রেসনা হংলক্লি।

মমাঙদা সাউদি অরাবিয়াদা ইন্দিয়াগী এনভোই ওইরম্বা তলমিজ অহম্মদনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ইনর্জি, পোলিটিকেল অমসুং ইকনমিক্কী মরীদা মাঙজৌননা নকশিন্নবা হিরম কয়া লৈখ্রবনি। মদুগী মতুং রিজনল সিক্যুরিটি অমসুং ষ্টেব্লিটি অমা লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নবা হোৎনবদা লুচিংবশিংগী ওইবা তঙাইফদবা খোঙথাং অমা লৈগদবনি হায়রি।

# এরো ইন্দিয়া হৌদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা ইনভেষ্টরশিং কৌরি

বেঙ্গলুরু, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

বেঙ্গলুরুগী অৱাংথংবা মফমদা লৈরিবা য়েলাহনকা এয়র বেজদা হৌখিবা মেক ইন ইন্দিয়া ইনিসিএটিবকী মখাদা পাঙথোকপা এরো ইন্দিয়াগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা লৈবাক অসিগী দিফেন্স মেন্যুফেকচরিংগী লমদা ইনভেষ্টরশিং কৌরি।

নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চথগদবা এসিয়াগী ওইবা অচৌবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী দিফেন্সকী লমদা লৈরিবা হিরম খুদিংমক্তা মল্টি বিলিয়ন দোল্লরগী মার্কেট অমা থম্নবা হোৎনদুনা মীরমগী তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংনা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মার্কেট অসিদা শেল থাদনবা ইনভাইট তৌখিবনি।

থৌরম অদুদা মালেমগী ওইবা দিফেন্সকী কম্পেনিশিংনা মখোয়গী মায়কৈদগী পুথোকপা পোৎলমশিং মীয়ামদা উৎলি। মদুদা জেট ফাইটরশিং, ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফ্টশিং অমদি হেলিকোপ্টরগী তোঙান তোঙানবা মখলশিংসু উৎলি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী এরোবেটিক্স টিমগী সুরিয়া কিরন হায়না খঙনবা এয়রক্রাফ্ট অনী নোংথক্তা থেংজিন্নবদগী পাইলোট অমা শিখিবা অমদি অতোপ্পা অনী শোকখিবা অদুগী মতুং পাঙথোরকপনি।

বেঙ্গলুরুগী এয়র সো অদুদা য়ু এস এগী দিফেন্স জাইন্ট ওইরিবা লোকহিদ মার্টিননা ফোঙদোক-খিবদা, ইন্দিয়াদা লৈবাক অদুনা পীগদবা এফ-২১ মল্টিরোল ফাইটর জেটকী শক্তম অমদি পাঙ্গলশিং অদু উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা ৱাহৌদোক্তা মালেমগী মকোক থোংবা দিফেন্স কম্পেনিশিংনা মদুগা শম্নবা লমশিংদা ইন্দিয়াগী মতেং পীদুনা ইন্দিয়াদা পুথোকচবা য়াবা দিফেন্সকী পোৎলমশিং অদুগী মতাংদা শেল থাবীনবা হায়খি। লুপা ক্রোর ২,৭৯,৬৫০ গী শেন্থং লৈঙাক অসিনা দিফেন্সকী মতাংদা কায়থোকপা য়াখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# পঞ্জাবতা বি এস এফনা পাকিস্তান্দগী চঙশিল্লকপা নুপী অমা নোংমৈনা কাপখ্রে, হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে

চান্দিগর, ফেব্রুৱারী ২০ (এজেন্সী)ঃ

পঞ্জাবকী গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না দেরা বাবা নানক সেক্তরদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী পর্সনেলশিংনা পাকিস্তান্দগী চঙশিল্লকখিবা চহী নৌরিবা নুপী অমা নোংমৈনা কাপখ্রে। লোয়ননা অশোকপা অদুবু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে হায়রি।

শোক্লবা নুপী অদু চান্দিগরদগী কিলোমিটর ২৭৫ থাপ্না লৈরিবা দেরা বাবা নানক টাউনগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখ্রে। থৌদোক অদু ইন্দিয়াগী আর্মি পর্সনেলশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা ইন্টরনেসনল বোর্দরগী মনুংদা লৈবা বাঙ্গর বোর্দর আউট পোষ্ট মনাক্তা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

বি এস এফকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, পাকিস্তানগী মায়কৈদগী চঙশিল্লকখিবা নুপী অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লৈখিবা পর্সনেলশিংনা হান্না ৱার্নিং তৌখি। অদুবু নুপীদুনা বি এস এফকী ৱার্নিং তৌরকখিবা অদু নাথৈদুনা থল্লগা মখা তানা মহাক্কী খোঙচৎ অদু মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মায়কৈদগী খুৎ হন্দুনা কাপ্পদা নুপী অদু পান্দুনা শোকখিবনি। লান্মীগী মায়কৈদগী শোক্লবা পাকিস্তান্দগী চঙশিল্লকখিবা চৎন-কাঙলোনগী সিক্যুরিটিগী ৱাংমদা থবক তৌই হায়বগী মরালদা নুপীমচা অদুবু বুক তৌখি।

বি এস এফকী মায়কৈদগী নুপী অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিল্লকপদা লেপ্নবা অমদি হনখিনবা কয়ারক হন্না হায়খ্রবসু মহাক্না লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকখিবা অদুদা বি এস এফকী পর্সনেলশিং অদুনা ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি প্রোটোকোলগী মতুংইন্না মহাকপু নোংমৈনা কাপখিবনি। মদুদা নুপী অদু শিননবা কাপ্লগী মহুত্তা শোক্লনবা কাপ্লবা মতুং মহাকপু হোস্পিটালদা পুখৎখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা জম্মু এরিয়াদা লৈরিবা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা মশক মমিং খঙদবা মীওই অমা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চঙশিল্লকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা শিখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, থৌদোক অদু জম্মুগী শম্বা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইন্দিয়াগী মফম অমদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী চঙশিল্লকখিবা নুপা অদু হন্নবা হায়রবসু মখা তানা চঙশিল্লকপদগী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

PMKVY
Skill India
N·S·D·C
National Skill Development Corporation

FREE
2nd Phase
3 months certificate course in Self Employed Tailor
Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY)
in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.

Admissions Open

Highlight of the Course
- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Stipend in every successfull candidates.
- Many more offers.

More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre (TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email: shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com

120 seat capacity, Registration Open.

HL-P/3525/21 to 28 Feb., 1,2 March

HELPINGHAND AGAINST POVERTY
HelpingHand Group
- OPEN AN ACCOUNT OF SAVING SCHEME -
অপীকপা শেন্দোইদা লোন লৌবীয়ু
- GROUP MICRO LOAN
- TWO WHEELER VEHICLE LOAN
- MARRIAGE AWUNPOT LOAN (Furnitures & Others)
( Office hrs. 10 am - 5pm ) ( Govt. Registered Financial Institute)
Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2441294 / 9774073562

HL-B/5213/19,21,23,25,27 Feb., to 1,3,5,7,9,11,13,15,17,19 Mar.

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/3785/12/2-13/3

/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Geneus by Luck. We Creat Leather for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্ন বা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website:- www.gmtmanipur.in
Facebook:- gmt imphal.
HL-P/3507/19,21

/খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোয়না থোক্লকউ য়াদবা, অমাংবদু খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ তোয়না হাম্বা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোং ময়াদসু পোমথোকপা ফহনবগীদমক ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা জিয়া উল হকপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোয়না থোক্লকউ য়াদবা মনুংদা পল্লগা লৈবা, অমাংবদু খুৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, খুৎনা কোৎলগা নুংতিগী লৌথোকপা অদুদা অমাংথোং মনুংদা নারকপা অমদি খরসু তৎপা, খোঙ তোয়না হাম্বা, খোঙ তোয়না হাম্বা অদুদা মনাং য়াম্না তোয়না য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা অদুদা হকচাং য়াম্না চোকথরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু খুৎনা ইনশিনবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, পুক্তা প্রিক প্রিক খোংলগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, পুক্তা য়েক-থিনবা তৌবা, অমাংথোং ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, তাঙ-তাঙ চিকপা, খোঙ হাম্বা লোয়রগা হৌগৎপা মতমদা কপ্লাক মরি নাবা অমদি মীৎ তন্দন পায়রগা কোক ঙাওবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফন্বী শোনবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অমদি য়াংলেন শরূদা চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **9774274439, 8414825323** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ*
1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat 10 a.m. - 5 pm.
2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...?
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) 10 a.m. - 4pm.

*থাগৎচরিবী :* **N. RAMESHORI DEVI**
*Thangmeiband*
HL-P/3351/21